## দিজি অসাম রাইফলস কপ ইক্বেষ্ট্রিয়ান ওসি লোয়শিল্লগনি

# নিলুনা নুপীগী শো জম্পিংদা গোল্ড লৌখ্রে



নুপীগী শো জম্পিং ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা শরুক য়ারিবা রাইদর অমনা পার্ফোমেন্স পীখিবা

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৩ঃ* ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা থাসিগী ১ দগী চথরকখিবা ১১শুবা দাইরেক্তর জেনরেল অসাম রাইফলস কপ ষ্টেট ইক্বেষ্ট্রিয়ান চেম্পিয়নশিপ ২০১৪ হয়েং নুংথিলগী পুং ১.৩০ তাবা মতমদা লোয়শিল্লগনি।

ওসি হুমনি চনবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা নুপীগী শো জম্পিং ইভেন্টতা চিঙ্খেহনবা পোলো ক্লবকী রাইদর নিলু আরকে অমদি মহাক্কী শগোল থোংলেননা ১.০৫ সেকেন্দদা থৌদুনা গোল্ড লৌখ্রে। ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লবকী অসেম রোমাবতি অমদি মহাক্কী শগোল মাইকোননা ১.১১ সেকেন্দদা থৌদুনা সিলভর অমদি ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী এস সঙ্গীতা দেবী অমদি মহাক্কী শগোল কারুনা ১.০৭ সেকেন্দদা থৌরবসু পেনাল্টি পোইন্ট ৪ ফংবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। নাগামপাল য়ুথ পোলো ক্লবকী য়াইলৈমা অমদি মহাক্কী শগোল টাইগরনা ১.০৯ সেকেন্দদা থৌরগা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

ইভেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা রাইদর ৯ না অথোই–অহেন তান্নরবা মতুংদা ফাইনেল রাউন্দগীদমক রাইদর মরি ক্বালিফাইদ ওইখিবনি।

জুনিয়ার বোইজ টেন্ট পেগ্গিং লেন্স ইন্দিভিজুয়েলগীদা কংলৈপাক পোলো ষ্টারগী টি লৈশেম্বা অমদি মহাক্কী শগোল ইবোতোম্না পোইন্ট ৩০.০৫ ফংলগা গোল্ড, থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবকী ঐচ চান্দ অমদি মহাক্কী শগোল বুল্লেটনা পোইন্ট ২৮.০৫ ফংলগা সিলভর, খুরাই পোলো ক্লবকী কেঐচ থোমাস অমদি মহাক্কী শগোল কেবিমচানা পোইন্ট ২৭ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী এল রোহিৎ সিংহ অমদি মহাক্কী শগোল লোয়ানা পোইন্ট ২৬.৫ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

সেনিয়ার টেন্ট পেগ্গিং লেন্স টিমগী ফাইনেল রাউন্দ হয়েং নুংথিল পুং ২ দা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরগনি।

# জিরি কপকী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে



এলৱাইসি জিরিবাম অমদি ৱাইমাজিং হাপলোংনা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল লিগ মেটচ

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৩ঃ* জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা মমাং থাগী ১৩ দগী টিম ১৯ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ১০শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ক্বাটর ফাইনেল লিগ রাউন্টগী মেটচশিং ওসি শান্নবা লোয়শিনখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলগী লাইন অপ লোইখ্রে।

সেমিফাইনেল চংখ্রবা টিমশিং অদুদি কে আই ৱাই সি ইম্ফাল ইষ্ট, ৱাই দি ও ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি এল ৱাই সি জিরিবামনি।

ওসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল লিগ রাউন্দগী মেটচতা এল ৱাই সি জিরিবাম্না ৱাইমাজিং হাপলোং অসামবু গোল ৬–০ দা চাউনা মায়থিবা পীরগা অরোইবা সেমি ফাইনেল চংবা টিম ওইখি।

এল ৱাই সি অমদি ৱাইমাজিংনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী এল ৱাই সি গী গোলশিং অদু জাইরেম মারনা ৫৩ অমদি ৬৩ শুবা মিনিটতা অনি, জজৈগাক রোংমৈনা ৫৮, ৬১ অমদি ৮৮ শুবা মিনিটতা অহুম অমদি বিজয় রোংমৈনা ৭৩ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শরুক্তদি টিম অনিনা য়াম্না লাম্বা চান্নরা শান্নদুনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে। এল ৱাই সি গী গাইগ্বানপাও অমদি ৱাইমাজিংগী বাইটে রেফ্রিনা মথংশিংনা ৭০ অমদি ৩৭ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখিবগা লোয়ননা ৱাইমাজিংগী সঞ্জয়না ৫৯শুবা মিনিটতা অতম্না গোল ফারুবগীদমক রেদ কার্দ পীদুনা মেটচ অদুদগী তাম্থোকখি।

# ক্বাকৈথেল, বিজয়গোবিন্দ মমাং লৈকায় সেমি চংখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৩ঃ* কে টি ঐচ ৱাই এল ও ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায় অমদি এস ৱাই দি এ বিজয় গোবিন্দ মমাং লৈকায় অনিশুবা সগোলবন্দ কেন্দ্র সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

ওসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কে টি ঐচ এল ৱাই ও ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়না ৱাই পি এল সি য়াইস্কুল পুলিস লেন্দবু গোল ৭–৩ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চংখিবনি। কে টি এস এল ৱাই ও গী গোলশিং অদু আরকে বিকিচান্দনা ১০ অমদি ৩৭শুবা মিনিটতা অনি, সি ঐচ রিঙ্কু, এস দিনেশ, কে গুনঞ্জয়, এস বিক্রম অমদি রোহেননা ৮, ৩৩, ৩৮, ৪৬ অমদি ৫৩ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

ৱাই পি এল সি গী গোলশিং অদুনা পাউচুইলুং, গাইদিংলুং অমদি গাইপুইচুংনা মথংশিংনা ৫২, ৪৭ অমদি ৫৮ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এস ৱাই দি এ বিজয় গোবিন্দ মমাং লৈকায়না কে কে ৱাই য়ু কৈশামথোংবু ট্রাইবেকতা গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। টিম অনিমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা গোল অমমম চন্নদুনা মান্ননা লৈবদগী টাই ব্রেকনা মেটচ অদুগী মরাইবক লেপ্পখিবদা এস ৱাই দি এনা গোল ৩ অমদি কে কে ৱাই য়ু না গোল ২ চনখি। অপিবা মতমগী মনুংগী এস ৱাই দি এ গী গোল অদু আরকে বোবনা ১৭ শুবা মিনিটতা অমদি কে কে ৱাই য়ু গী গোল অদুনা থাইঙামলুংনা ১৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

এস ৱাই দি এ গী টাই ব্রেক্কী গোল অহুম অদু এনজি সোনা, আরকে বোব অমদি আরকে মোচানা চনখিবনি। কে কে ৱাই য়ু গী গোল অনি অদুনা লানঙমচুং অমদি পাওখামলুংনা চনখিবনি।

# ডা. টি আও ফুটবোল হৌরগনি
## মণিপুরগী অহানবা মেটচতা অসামগা থেংনগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৩ঃ* মিজোরামনা য়ুম্বু ওইদুনা থাসিগী ৫ দগী অসাম রাইফলস গ্রাউন্দ আইজোলদা মঙাশুবা ডাক্তর টি আও মেমোরিয়েল নোর্থ ইষ্ট ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৩–১৪ হৌরগনি।

মণিপুরনা অহানবা লিগ মেটচ থাসিগী ৬ তা অসামগা থেংনরগনি। মণিপুরনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা গ্রুপ বি দা সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ অমদি অসামগা পুন্না লৈমিন্নরি। অনিশুবা মেটচনা তাং ৮ দা সিক্কিমগা অমদি অরোইবা লিগ মেটচনা তাং ১১ দা অরুনাচল প্রদেশকা শান্নগনি।

নীংশিংবা য়াবদি মফম অসিমক্তদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৬৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোস ট্রোফিগী নোর্থ ইষ্ট জোন ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মণিপুর য়ুম্বু মিজোরামগী মখুত্তা গোল ২–০ দা মায়থিহৌদুনা নীংবা কায়না ফাইনেল রাউন্দ চংবা ঙমহৌখিদবনি।

মণিপুরগী টিমদা শরুক য়াখিবা সহিদুর রহমন অমদি কৃষ্ণকুমারগী মহুত্তা টি রাজু সিংহ অমদি ঐচ চক্রবর্ত্তিনা টি আও গী চেম্পিয়নশিপ অসিদা মহুৎ শিল্লগনি। হান্নদি সন্তোস ট্রোফিগী টিম অসিমক্তা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াননবা থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী শান্নরোই অনি অসিনা মহুৎ শিল্লকখিবনি।

## বিজয় কোইজম ফেদরেসনগী ভি পি ওইনা খনখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৩ঃ* মণিপুর বেটমিন্টন এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা বিজয় কোইজম বেটমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী ২০১৪–১৮ টার্মগী ওইনা ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুনবা খনখ্রে।

মহাকপু ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুনবা মমাং থাগী তাং ২৫ দা য়ু পি গী লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা ফেদরেসনগী মীখলদা য়েৎনবা লৈতনা খনখিবনি। মহাক্তা নত্তনা মণিপর বেটমিন্টন এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা হোদাম জ্ঞানেশ্বর সিংহসু ফেদরেসনগী একজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা খল্লক্লে।

## ত্রাও ফাইনেল চংখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৩ঃ* ত্রাও ক্বাকৈথেল ১০শুবা দি এস এ ট্রোফি, ৭শুবা নাওরেম ভুবোন মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ফাইনেল চংখ্রে।

দি এস এ ককচিংগী গ্রাউন্দদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ত্রাও ক্বাকৈথেলনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চংখিবনি। ত্রাওগী ফাইনেল চংবগী গোল অনিমক অদু সুরচান্দনা ৪৭ অমসুং ৬৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। হয়েং য়ু বি এস এ মন্তক্কা সাই এস এ জি উংলৌগা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

## দেবলা ক্রিকেট

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৩ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চথরিবা দেবলা ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৫ দা এস এস সি সি নাওরিয়া পাখঙলাকপগা আই এন সগোলতোংবগা শান্নগনি।

ওসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস এস সি সি না এস সি সি খাঙবোকপু ৱিক্কেট ২ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চংখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা এস সি সি সি গী কিরনবীনা তাখি।















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*